# ইন্দিয়ন ক্রোর ১২৫ তাইবঙ মপুনি খল্লগা থৌগল তৌরিবনি : প্রাইম মিনিষ্টর



সুরেন্দ্রনগর, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোংগ্রেসপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ওপোজিসন্না মীয়াম্বু কাঙলূপকী লৈই চিংদুনা নাকপাক তাহন্নবা হোৎনরে হায়না মরাল শীখ্রে।

গুজরাটকী সুরেন্দ্রনগরদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেসনা গুজরাটকী মীয়াম্বু কাঙলূপকী ওইবা লৈই চিংদুনা তোখায় তোখায় খায়দোক্লবা হোৎনরমই। মতম অমদা নক্কনা তিন্নরম্বা মীওই কয়া কোংগ্রেসকী থৌইনশিন্দগী য়েংথিনরকখি।

বি জে পি ভোট পীবিনবা আপিল তৌরদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ১২৫ খোইয়ুম লাইনি হায়না খনবগা লোয়ননা মীপুম খূদিংমক্কী থৌগল তৌনবা শেম-শাদুনা লৈরি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী মতমদা থোকখিবা ইমর্জেন্সীগী থৌদোকপু নৌহৌননা নীংশিংলদুনা মহাক্না হায়খি, মতমদুদা কোংগ্রেসনা লৈবাক অসিবু কৈশুমশঙগী পাঙ্খক ওইহনখি। বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা বুলেট ট্রেনগী প্রোজেক্ট পায়খৎলকপদা কোংগ্রেসনা ইনশিনবা মীওই খরনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। বুলেট ট্রেন য়ানিংদবা মীওইশিংনা বুলোক কাট তোংলগা চৎকদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশকী অর্বান লোকল বোদি ইলেক্সন্দা বি জে পিনা য়াম্না চাউনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি নুমিৎ নীনিগী খোঙচত্তা মশাগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা গুজরাটতা থুংখিবনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিঙৈদা মহাক্না মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা মীফম ৩১দা ৱা ঙাঙনবা থৌরাং তৌরি। স্বামি নরায়ন কাঙলূপকী হোস্পিটাল অমসু মহাক্না শঙ্গগদৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী গুজরাট খোঙচৎকা মরী লৈননা বিকাশ রেল্লি হায়না মিংথোনবা মীয়ামগী মীফম তরেৎ পাঙথোক্লবা বি জে পিনা থৌরাং লৌখৎলি।

বারুক, সুরেন্দ্রনগর অমদি রাজকোটতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাঙলম্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা স্বামি নরায়ন গুরুকুল বিশ্ববিদ্যা প্রতিস্থানমদা হোস্পিটাল অমা শঙ্গগদৌরি। থৌরম অদুদা মীওই লাখ ১ হেন্না তিলহন্নবা বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটনা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি বলশাদ দিষ্ট্রিক্টকী ধরম্পুরদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙলম্লবা মতুংদা ভাবনগরদা অমুক চৎকদৌরি। মফম অদুগী মহাক্না সৌরষ্ট্র, জুনাগর অমদি জামনগরদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফমশিংদা ৱা ঙাঙগদৌরি।

শাংলবা চহী ২২ হেন্না বি জে পিনা লৈঙাক পায়দুনা লাক্লবা গুজরাটতা হন্দক তোঙান তোঙানবা পার্টি কয়াগী ঈহৌ কনখৎলকপদগী কোংগ্রেসনা লূচিংবা ওপোজিসননা হন্দক্কী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মায় পাকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

খুন্নাইগী তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী গুজরাট গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা ওপোজিসন পার্টি অয়াম্বা কোংগ্রেসকা খুৎশম্নখিবা মরম্না হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পি মায়থিবা য়াই হায়রি। পতিদার ফুরুপকী লূচিংবা হার্দিক পতেলসু ওপোজিসনগা খুৎশম্নখিবদগী বি জে পিদা অকনবা চৈথেং অমা পীরি।

# আই এস আর ওনা থা লৈবাক্তা অহানবা ওইনা খোঙদানবা থৌরাংলি



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা স্পেস প্রোগ্রাম পায়খৎখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন স্পেস রিসার্চ্ ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও)না অহানবা ওইনা থা লৈবাক্তা চৎনবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ২০১৩দা চাইনানা থা লৈবাক্তা য়ুটু রোবর থাগৎখিবগা লোয়ননা মফম অদুগী মরমদা কুপ্না থিজিনখিবনি। থৌওং অদুগী মতুং তারকপদা আই এস আর ওনা কুমজা ২০১৮গী লোইশিল্লকপদা চন্দ্রয়ান-টু মিসনগী শরুক অমা ওইনা থা লৈবাক্তা অহানবা লুনর রোবর থাগৎনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

ইন্দিয়ানা থা লৈবাক্তা খোঙদানবা হোৎনবা হন্দক্না অহানবা নত্তে। অদুম ওইনমক হন্দক্কী মতাং অসিদদি মিসন অসি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না থাজনরি।

কুমজা ২০০৮দা শ্রীহরিকোটাদগী চন্দ্রয়ান-ৱান থাগৎখি। দোলর মিলিয়ন ৮৩ চঙনা পায়খৎখিবা থৌরাং অদুগী মতেংদগী ইন্দিয়ানা থা লৈবাক্কী মরমদা মরুওইবা ইনফোর্মেসন কয়ামরুম খঙবা ঙমখি। অদুবু কুমজা ২০০৮গী নবেম্বরদা স্পেসক্রাফট অদু কায়রগা মফম খঙদনা মাঙখি।

কুমজা ২০১৬তা নেসনল এরোনোটিক এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা)না চন্দ্রয়ান-ৱানগী অকায়বা মচেৎশিং লুনর ওর্বিটতা থেংনরকখি।

হন্দক পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা আই এস আর ওগী সাইন্তিষ্টশিংনা থা লৈবাক্তা থাগৎনবা অনমেন ভেহিকল অহুম শেমগৎনবা হোৎনরি। লুনর মিসন অসিদা লোয়নগদৌরিবা খুৎলাইশিংনা থা লৈবাক্কী মতাংদা দেটা কয়া থারক্লবা মতুংদা ইন্দিয়ানা থা লৈবাক্কী লৈহাওগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙবা ঙম্লগনি।

হন্দক্কী লুনর মিসন অসিনা চন্দ্রয়ান-টু ওর্বিটরগী খুত্থাংদা ইনফোর্মেসন পূন্নমক আই এস আর ওদা য়ৌহল্লক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, আই এস আর ওনা স্পেস প্রোগ্রাম খুমাঙ চাউশিনহনবগা লোয়ননা থা খূদিংগী রোকেট অমমম থাগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়ন স্পেস এজেন্সী অসিনা মার্চ অমদি থা লৈবাক্কী মরমদা মরুওইবা ইনফোর্মেসন কয়া খঙনবগীদমক সেট্টলাইট কয়ামরুম থাগৎখ্রবা মতুংদা অদিত্য এল-১ থাগত্তুনা নুমিৎকী মরমদা থিজিন্নবা থৌরাং লৌখৎলিবনি। কুমজা ২০১৯দা আই এস আর ওনা নুমিৎকী মরমদা থিজিন্নবা স্পেস প্রোগ্রাম পায়খৎলগনি হায়রি।

আই এস আর ওগী চ্যেরমেন এ এস কিরন কুমারনা হায়খি, কুমজা ২০১৮দা থা খূদিংগী সেট্টলাইট অমমম থাগত্তুনা স্পেসকী মরমদা মমুৎ তানা খঙদোক্লবা হোৎনরগনি। কুমজা ২০১৮-১৯ অমসুং কুমজা ২০১৯-২০২০গী ওইনা স্পেসকী লমদা শেল হেন্না থাদবীনবা মরী লৈনবা মীওইশিংদা তকশিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

শেনবা চহী ২০১৭-১৮গী ওইনা আই এস আর ওদা লুপা ক্রোর ৯,০০০ কায়থবা লৈখ্রবনি। হায়রিবা শেনফম অদু শীজিন্নরগা দিসেম্বর থা লোইশিল্লকপা নৎত্রগা জন্যুৱারী হৌগৎলকপদা নেনো অমদি মাইক্রো সেট্টলাইট ২৮গা লোয়ননা কার্টোসেট-২ ঈ রিমোট সেন্সিং স্পেসক্রাফট থাগৎনবা থৌরাং তৌরি।

চন্দ্রয়ান-টু মিসনগী মতাংদা আই এস আর ওগী চ্যেরমেন কিরন কুমারনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৮গী অঙনবা শরুক্তা সেট্টলাইট অসি শোয়দনা থাগৎপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

# অমিত শাহনা হিন্দুনি হায়জিল্লগা ভোট ফংনবা হোৎনরি : ওৱাইসি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :

ওল ইন্দিয়া মজলিস-ঈ-ইটেহদুল মুস্লিমিন (এ আই এম আই এম)গী লূচিংবা অসাদউদ্দিন ওৱাইসিনা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈননা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অমদি কোংগ্রেসপু মরাল শীখ্রে।

গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা পার্টি অনীমক্না লাইনিং-লাইশোনগী মিংদা পোলিটিক্স তৌদুনা ভোট ফংনবা হোৎনরে হায়না মহাক্না মরাল শীখি।

বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহবু মরাল শীরদুনা ওৱাইসিনা হায়খি, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইরিবা অমিত শাহ হিন্দু নত্তে। অদুবু পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক মশামক হিন্দুনি হায়না মীয়ামদা লাউথোক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক মশামক হিন্দুনি হায়বা মতমদা মায়কৈ অমত্তদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈখিদে। অদুবু ঐহাক্না মুস্লিম অমনি হায়না লাউথোকখিবা মতমদদি মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি।

গুজরাটকী সোমনাথ টেম্পলদা চৎলুবা রাহুল গান্ধীগী লাইনিং লন্থীগা মরী লৈননা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা ৱাহৈগী লান শোক্লখ্রবা মতুংদা ওৱাইসিগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

সোমনাথ টেম্পলগী রেজিষ্টরদা রাহুল গান্ধীগী মমিং হিন্দু নত্তবা মীওইশিংগী মিং ইফমদা ইরম্বদগী ৱাথোক অমা থোরকখি। অকোনবদা রাহুলগী মিদিয়া কোওর্দিনেটর মনোজ ত্যাগিনা শোয়বদগী রাহুলগী মমিং নন-হিন্দুশিংগী মপাদা ইশিনখিবনি হায়না শেংদোরকখি।

অমরোমদা, জনতা দল (য়ুনাইটেদ)কী লূচিংবা পৱন বর্মানা হায়খ্রে মদুদি, অমিত শাহবু হিন্দুনি হায়না মীয়ামদা থাজহন্নবগীদমক তঙাইফদনা কন্সটিট্যুসন শেমদোকপা মথৌ তারি।

অমিত শাহবু মীয়ামদা হিন্দুনি হায়বা তাক্লবগীদমক নুমিৎ খূদিংগী, চয়োল খূদিংগী নৎত্রগা থা খূদিংগী লাইশঙদা চৎপা মীওইশিং হিন্দুনি হায়বা ৱাফম ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা য়াওহনবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সাইক্লোন ওকখি নেসনল কেলামিটি নত্তে, তেংবাঙগী পোৎলমশিংদি য়ৌহনখ্রে : সেন্টর



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

কেরলা, টামিল নাদু অমদি লক্ষদ্বিপতা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা সাইক্লোন ওকখিবু নেসনেল কেলামিটি ওইনা লাউথোকপা য়াদে। অদুম ওইনমক অৱাবা তারবা মীয়ামদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না সেন্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ী বিজয়ননা সাইক্লোন ওকখিবু নেসনল কেলামিটি ওইনা লাউথোকপীনবা সেন্টরদা হায়জবা লৈখ্রবনি।

নবেম্বর ৩০দা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অসি শিৎলকখ্রবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১২ শিখ্রে। মেদিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না টামিল নাদুদা মখা তানা অকনবা নোং চুরকপা য়াবা মরম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রবনি।

সমুন্দ্রদা ঙা ফারিঙৈদা নোংলৈ-নুংশিৎ মায়োক্লবদগী অৱাবা তারবা ঙামী কয়া কংফালদা য়ৌরকপা ঙমখ্রে। ঙসিসু ঙামী ৩২১ তোংবা হি ২৮ মহারাষ্ট্রগী রত্নগিরিদা থুংলখি।

মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিসনা সিন্ধুদুর্গা দিষ্ট্রিক্টতা থুংলখ্রবা ঙামী ১০০ রোমদা খুদক্কী ওইবা তেংবাঙ পীনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি। কেরলাদনা নুমিৎ ৫নি সমুন্দ্র ময়াইদা নোংলৈ-নুংশিৎকী চৈথেং মায়োক্লরুরবা ঙামী ১৭ ওথোরিটিশিংনা কনবা ঙমখি।

দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারমননা হায়খি, ইন্দিয়ন নেভি, কোষ্ট গার্দ অমসুং এয়র ফোর্সকী অপুনবা টিম অমনা হৌজিক ফাওবদা ঙামী ৩৫৭ কনবা ঙল্লে। মখা তানা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি।

খা থংবা টামিল নাদুদা সাইক্লোন ওকখিনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চীফ মিনিষ্টর পলানিস্বামিদা টেলিফোন তৌদুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা অকুপ্পা পাউ লৌবা লৈখ্রবনি। সাইক্লোন্না অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা মফমশিং নৌনা শেমগৎ-শাগৎপদা সেন্টরনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়নসু মহাক্না থাজবা পীখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক হৌজিক টামিল নাদুগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা পায়খৎলিবা মতেং পাংবা অমসুং মী কনবগী থৌরাংশিংগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীখি। ইরাই নুমিত্তা সাইক্লোন ওকখি হায়না খঙনবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোকহনখ্রবা দিষ্ট্রিক্টশিংদি কন্যাকুমারী অমসুং তিরুনেলবেলিনি। বেঙ্গলি লোলদা 'মীৎ' হায়না খঙনবা সাইক্লোন ওকখিনা মফম কয়াদা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লবা মতুংদা অরাবিয়ন সী মায়কৈ পাংখি।

# ইস্লামগী মিংদা মুস্লিম নুপীশিং ওৎ-নৈবা তৌরোইদবনি : বাবা রাম দেব

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী):

সেন্টরনা ট্রিপল টলাক থিংনবগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাং শৌগৎলদুনা যোগ গুরু রাম দেবনা হায়খ্রে মদুদি, ইস্লামগী মিংদা নুপীশিং তাথি-তাওইনা তৌবা থিংগদবনি।

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথকা উনখিবগী মতাংদা পাউদম্লদুনা পতাঞ্জলিগী ফাউন্দর রাম দেবনা হায়খি, লাইনিং লন্থীগী মিংদা নুপীশিংবু ওৎ-নৈবগী থৌওং থিংবা মথৌ তাই। সেন্টরনা হন্দক ট্রিপল টলাক থিংনবগী মতাংদা শেমগদৌরিবা বিল অসি মীপুম খূদিংমক্না শৌগৎফম থোকই।



মমাঙ চয়োলদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা বিল অমা শেমদুনা অহুল্লক টলাক হায়রগা খুদক্তা নুপা-নুপী খাইনবা য়াহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা চহী ১,৪০০ হেন্না চৎনদুনা লাক্লবা ট্রিপল টলাক মখা তানা চৎনখিগনি হায়না জামিয়াত উলামা-ঈ-হিন্দনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদু সারিয়াগী মায়োক্তনি হায়না পল্লদুনা জামিয়াতকী জেনরেল সেক্রেটরি মৌলানা মহমদ মদানিনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা পীনিংবা ৱায়েল পীরবসু ইস্লামিক কোদকী মতুং ইন্না হৌজিকসু ট্রিপল টলাক মখা তানা চৎনরি হায়না লৌফম থোকই।

চীফ জষ্টিস জে এস খেহরনা লূচিংবা জজ মঙানা শাবা কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা ট্রিপল টলাকপু কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং ওইবনা খুদক্তগী অথিংবা থল্লে হায়না ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা খুদক্তগী ট্রিপল টলাক থিংনবা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা ওল ইন্দিয়া মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দ (এ আই এম পি এল বি)না মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রবনি।

15 LAKHS SAVING MARUP

Manipur Rural Development Finance (MRDF) না 6th Phase ওইনা শীঞ্জবা থাগী শেনখায়না ₹ 2000/- ওইবা, অপুনবা শেনফম্না ₹ 15,00,000/- (15 Lakhs) তাবা, ফাওখ্রবা মতুংদা অমুক মখা তানা থাগী শেনখায় হুল্লরোয়দবা য়াম্না কান্নরবা, লায়রবা কোকপা য়ারবা মরুপ অমা লাক্লিবা January, 10th 2018 দগী MRDF কী Registered Office তা হৌদোকচরগনি। হায়রিবা মরুপ অসিদা য়াওবা মেম্বরশিংদা ₹ 10,000/- দগী হৌরগা ₹ 1.5 Lakhs ফাওবা অপীকপা শেন্দোয়দা Loan গী খুদোংচাবসু পীজরি। Agent ওইনিংবশিংনা থাগী ₹ 10,000/- ফাওবা Commission pay ফংবা য়াগনি। হৌজিক ফোর্ম থাবা হৌজরে। ফোর্ম ফঙফমশিং

1. MRDF, Takhel Mayai Leikai, ☎ 7005315367
2. MRDF, Khurai Lamlong, Thangjam Leikai ☎ 8787492287
3. MRDF, Naoremthong Bazar ☎ 8837002201

HL-P/158/1-7Dec.

Sd/- MANAGER, MRDF

HL-P/3056/29/1-14Dec

IN THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT, IMPHAL

Mat. (Declaratory) Suit No. 60 of 2017

Km. Takhellambam Reshmi Devi, aged about 25 years, D/o (Late) Takhellambam Rajen Singh and (Late) Takhellambam Ongbi Kshetrimayum Kamalini Devi of Keishampat Mutum Leirak, P.O. & P.S. Imphal, District - Imphal West, Manipur.

... Plaintiff

–Versus–

1. Shri Takhellambam Roshan Singh, aged about 30 years, S/o (Late) Takhellambam Rajen Singh.
2. Shri Takhellambam Rashikanta Singh, aged about 27 years, S/o (Late) Takhellambam Rajen Singh.

- Both are resident of Keishampat Mutum Leirak, P.O. & P.S. Imphal, District - Imphal West, Manipur.

... Defendants

SUMMONS

TO

ALL THE INTERESTED PERSONS.

Whereas, the above named plaintiff has instituted a suit in this court for declaration that the plaintiff is the unmarried daughter of (Late) Takhellambam Rajen Singh and (Late) Takhellambam Ongbi Kshetrimayum Kamalini Devi, all the interested persons are hereby summoned to appear before this Court on 21-12-2017 at 10.30 a.m. in the fore-noon either in person or by a pleader duly instructed able to answer all the materials question relating to the suit and file written statement if any in your defence.

Take notice that in default of your appearance on the aforesaid day and date, the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of the Court, on this 1st December, day of December, 2017.

SEAL : Sd/- R.K. Dhanisana Devi, Sr. Sheristadar, Family Court, Manipur, at Lamphelpat, Imphal

By:-

Advocate

HL-P/165/384

EDUCITY

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIRAK MACHIN, IMPHAL - 795004

ENROLMENT FOR "WINTER CAMP"

STARTS NOW (LIMITED SEATS)

DATE : 5TH DECEMBER 2017 TO 31ST JANUARY 2018
TIMING: 10:00 A.M TO 3:00 P.M.
AGE GROUP : 5 YRS. TO 15 YRS.
ACTIVITIES : (i) ACADEMICS
(ii) PERSONALITY DEVELOPMENT
(iii) INDOOR & OUTDOOR GAMES & SPORTS
(iv) DANCE CLASSES AND MANY MORE.

Please Contact : ☎ 9612194500

SALE! SALE! SALE!

"BUMPER DISCOUNT SALE" OFF:-

1. HALF & FULL JACKETS (SIZE 0 TO 34 & GENTS 36 & 38 ONLY)
2. HALF & FULL JERSEY GENTS MIX VARIETY M & L SIZE ONLY
3. FORMAL GENTS TROUSERS WAIST - 28 & 30 ONLY (MIX VARIETY)

Available at a THROW - AWAY PRICE NOW :-

Flat ₹ 600 / pcs. 2 pcs. For ₹1000/ = only

Offer valid for 15 Days or till Stock Last

VENUE :-

BRIGHTWAYS (1st Floor)

Opp. Punjab & Sind Bank
Dharamshala Road
Imphal -1

HL-B/4254/2 Dec. -1Jan.(Alt.)

ADMISSION OPEN

1. Foundation Course for Class VI to X (BOSEM)
   - Timing : 4:10 p.m - 8:20 p.m
   - Subject : All Subject
2. Winter Camp for Class I to VIII
   - Duration : 2 months
   - Timing : 11 a.m to 2 p.m

Hurry!!! Limited Seat

Fee : ₹ 4000/- [ Instalment Basis Available]

10% Discount on Advance Payment

CAMP STARTS ON 5TH DEC., 2017

Features : Doctors' Advice, Tree Plantation, Public Speaking, Dustbin and Mate making, Yoga and Meditation, Indoor Games, Aerobic Exercise, Drawing and Painting, Stage Performance, Spoken English, Spoken Hindi, Meet the Stars, Origamy, Medical check-up and many exciting programmes

For more information, pliz visit

TRIPLESUR COACHING CENTRE

Thouda Bhabok Leikai, Near Hueiyen Lanpao Press

☎ 8794523940

HL-P/4227/21/11-5/12

CAS Foundation

An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSSION OPEN

COMPREHENSIVE NEW REVISION COURSE CLASS XII & X(2017-18)
Classes Commencing from 11th Dec. 2017

ADVANCED FOUNDATION COURSE CLASS X & XII (2018-19)
Classes Commencing from 14th Dec. 2017




Seats are limited, First Come First Served

Morning / Evening Batches, Hostel for BOYS & GIRLS available

For Details Contact: CAS Office, (5.00AM - 7.30 PM) Main Building, Keishampat Junction, Imphal

HL-B/4181/25Oct-22Dec (Alt)